# সোনিয়া খুন্দ্রাকপম অমদি নাওরেম লোকেশ্বরদা যুব পুরুস্কার অমদি বাল সাহিত্য পুরুস্কার পীরগনি




পাউজেল ন্যুজ সর্ভিস

*ইম্ফাল, অগষ্ট ২৪ :* সাহিত্য একাদেমি ন্যু দিল্লিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী অইবশিংদা পীবা সাহিত্য এদাকামি যুব পুরুস্কার অমদি বাল সাহিত্য পুরুস্কার পীনবা খনগৎপদা মণিপুরদগী সোনিয়া খুন্দ্রাকপম অমদি নাওরেম লোকেশ্বর য়াওরে।

সোনিয়া খুন্দ্রাকপমনা ইবা *লোয়ুঙ্বা* অমদি নাওরেম লোকেশ্বরগী অঙাং লাইরিক *তেমথিন অমসুং খুজি* কৌবা লাইরিক্তা মনা অসি পীনবা খল্লকপনি। শেল ওইনা লুপা ৫০,০০০ অমদি কোপ্পর প্লেট য়াওবা মনা অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী ৮শুবা সেদ্যুল্ডা চল্লবা লোলগী অইবশিংদা পীবা মনানি।

ঙসি সাহিত্য একাদেমিগী চেরমেন ডা. চন্দ্রসেখর কম্বানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা বাল সাহিত্য পুরুস্কারগী ওইনা অইবা ২২ খনগংখি। চহীসিদা পঞ্জাবী লোলগী ওইনদি খন্নবদা য়াওখিদবগা লোয়ননা শান্তালি লোলগী ওইনদি নুমিৎ খরনি লৈরগা লাউথোক্লবা লেপ্লখি। লোয়ননা যুব পুরুস্কারগী ওইনা অইবা ২৩ খন্নরবা মতুংদা মরাথিগী ওইনদি কোম্না লাউথোক্লবা রারেপ্লখি।